# য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা অনৌবা প্রসিদেন্ট খল্লগনি




ব্রসেলজ, জান্যুৱারী ১৭:
সিট ৭৫১ লৈবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী খ্বাইদগী ৱাংবা ফম তান্নরিবা মীওই ৭ কী মনুংদা অমনা মায় পাকপা হায়বসিদা এবসোলুট মেজোরিটি ফংবদগী তঙাই ফদবা লৈ।

রাউন্দ অহুমগী মতুংদা কনামত্তনা তঙাই ফদবা সপোর্টকী চাং ফংদবা তারবদি মরিশুবা রাউন্দদা খ্বাইদগী পোপ্যুলর ওইবা কেন্দিদেট অনীনা ইচম চম্না ভোট মশিং খ্বাইদগী হেন্না ফংনবা হোৎনগনি হায়না এ পি এনা স্পুটনীক ন্যুজ পল্লদুনা হায়রি।

ঈ য়ুগী খ্বাইদগী চাউবা ফমগী লমজেলদা মাঙজিল থানা চেল্লিবনি হায়না লৌনবা য়ুরোপিয়ন পিপলস পার্টি (ঈ পি পি) গী মেম্বর এন্টোনিও টাজানিনা মহাক খ্বাইদগী চাউবা পার্লিয়ামেন্টরি গ্রুপকী কেন্দিদেট ওইনা মীখলদা মায় পাক্কনি হায়না থাজবা থমলি।

পব্লিক ব্রোদকাষ্টর আর এ আই অমসুং পাউচে ঈল গিওনালিগী হান্নগী জর্নেলিষ্ট টাজানি অসি হৌজিকসু ইটালিগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর সিলভিও বর্লুস্কোনিগা নকশিন্নরা মরী লৈনরি। মতম অমদা মহাক্না বর্লুস্কোনিগী স্পোক্সপার্সন ওইরম্মী। মহাক ব্রসেলজদা চহী ১৪ য়ুরোপিয়ন লোমেকর অমা ওইনা অমসুং চহী ৬ য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমা ওইনা থবক তৌরম্বগী এক্সপরিয়েন্স লৈ।

হৌখিবা দিসেম্বরদা টাজানিবু ঈ পি পিগী কেন্দিদেট ওইনা খনখিবা মতমদা গ্রুপ অসিগী লিদর ৱানফ্রেদ ৱেবরনা মহাকপু পার্লিয়ামেন্টকী মনুংদা লৈরিবা পোলিটিকেল ফোর্সশিংগী মরক্তা অমগা অমগা ফাওনবা ঙম্বা মীশক অমা ওইনা অমসুং মপানগী অহৌবা খোঞ্জেল অমা ওইনা লৌনখি। তৌইগুম্বসুং লোমেকর কয়ানা মহাক্কী অমগা অমগা ফাওনবা ঙম্বগী ক্রেদিয়েন্সেলসতা চিংনবা উৎখি।

লোমেকর খরনা মঙোন্দা চিংনবা ফাওরিবগী মরমদি মহাক খ্বাইদগী চাউবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টকী গ্রুপ অদুনা মোত অমত্তা ওইনা নোমিনেট তৌবগী মহুত্তা ইন্টরনেল প্রাইমারিশিং থেংনবা অহানবা কেন্দিদেট ওইবদগীনি। মীখলসিদা মায় পাক্লবগীদমক্তা টাজানিবু লোমেকর ৩৭৬ না শৌগৎপা চঙই। ঈ পি পিগী পার্লিয়ামেন্টদা লৈরিবা সিট মশিংদি ২১৪ নি।

টাজানিগী মরু ওইবা রাইভেলদি অতোপ্পা ইটালিয়ন নেসনল গিয়ানি পিটেলানি। মহাক সিট ১৮৯ লৈবা সোসিয়েলিষ্ট এন্দ দেমোক্রেটস (এস এন্দ দি০ গী নোমিনিনি।

ঈ পি পি অমসুং এস এন্দ দিগী মরক্তা লৈখিবা কুমজা ২০১৪ গী পৱার সিয়ার তৌমিন্নবগী একোর্দকী মতুং ইন্না, গ্রুপ অসিনা পার্লিয়ামেন্টকী থবকশিং নিংথিনা পাঙথোক্লবা গ্রান্দ কোলিসন হায়না খঙনবা কোলিসন অসিদা রুল তৌমিন্নখ্রে। দিল অসিনা অসুম্নসু হায়রি মদুদি, কুমজা ২০১৭ তা এস এন্দ দিগী মেম্বর সল্টসনা হৌজিক পায়রিবা ফম অসি ঈ পি পিগী কেন্দিদেটতা চৎকনি। অদুম ওইনমক পিটেলানা অচৌবা ফমদুগীদমক্তা চোংথোক্তুনা ওফিসল ওইদবা এগ্রীমেন্ট অসিবু শীংনখি।

## ইষ্টানবুলগী নাইটক্লবতা চেন্নবা মীওই অফঘানিষ্টানদা ট্রেন তৌখি

ইষ্টানবুল, জান্যুৱারী ১৭: ন্যু ইয়র নুমিৎ নোংমা ৱাংলিঙৈদা ইষ্টানবুলদা লৈবা নাইটক্লব অমদা এটেক চথুখি হায়না চিংনবা মীওই অদু অফঘানিষ্টানদা ট্রেন তৌখি হায়না সিটিগী গভর্ণরনা হায়রি।

ভাসিপ সহিননা হায়খি, হান্না উজবেক নেসনল অব্দুলকাদির মাসারিপোভনি হায়না মমিং পনখিবা মীওই অদু কুমজা ২০১৬ কী জান্যুৱারীদা টর্কিদা চঙলকখিবনি। সসপেক্ট অদুনা এটেক অদু চথুখি হায়না ফোঙদোকখ্রে অমসুং মহাক্কী খুৎশাগী মমিশিং অদু থৌদোক থোকফমদা লৈরম্বশিংগা চানৈ হায়না সহিননা হায়খি।

ৱৈনা ক্লবতা চথুখিবা এটেক অদুদা মীওই ৩৯ শিখি অমসুং মীওই দজন কয়া অশোক-অপন নংখি। ভিক্টিমশিং অদুদা ইজরেল, ফ্রান্স, টুনিসিয়া, লেবানন, ইন্দিয়া, বেলজিয়ম, জোদার্ন অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী সিটিজনশিং য়াওখি।

## দোনাল্ড ত্রম্পকী ৱাশক লৌবগী থৌরম বোইকোট তৌবশিংগী মশিং হেনগৎলক্লি

ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ১৭ :
য়ু এসকী প্রসিদেন্ট খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পকী ইরাই নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা থবক পায়বা হৌনবগী ৱাশক লৌবগী থৌরম বোইকোট তৌনবা হাউসকী দেমোক্রেট ৩০ হেনবনা থৌরাং তৌরি। রিপব্লিকান বিজনেসমেন অদুবু দিমোক্রেসিদা অকিবা পোকহনবা মীশক অমনি হায়রদুনা মখোয়না থৌরম অদুবু বোইকোট তৌনবা থৌরাংলিবনি।

রিপ্রজেন্টেটিভশিং টেন্নেসীগী ষ্টিভ কোহেন, ন্যু য়োর্ককী জেরোল্ড নাদরল অমদি ভির্জিনিয়াগী দোন বেয়রসু য়ু এস কেপিটেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রম্পকী ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়ারোই হায়রিবা মশিং য়ামখৎলক্লিবা লোমেকরশিংগী লিষ্টতা য়াওশিনখ্রে।

হান্না থৌরম অদুদা শরুক য়ারোই হায়না ফোঙদোকখিবা লোমেকরশিংগী মশিং থাংজ নুমিৎতা ত্রম্পনা রিপ্রজেন্টিভিটভ জোন লুৱিসপু কন্না চৈ থাংখিবা মতুংদা হেনগৎলকখি। দেমোক্রেট জোন লুৱিসনা ত্রম্পপু লোনা য়াবা প্রসিদেন্টনত্তে হায়রুদগী প্রসিদেন্ট-ইলেক্ট রিপব্লিকান অসিনা লুৱিসপু কন্না চৈ থাংখিবনি।

'মসিগী প্রসিদেন্ট সেমি-ইলেক্ট' অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট ওইবদা মতীক চাদে' হায়না কোহেননা মহাক্কী ৱারোল অমদা হায়খি।

'ঐখোয়না মমল ৱাংনা, লুনা লৌবা কেরেক্টরিষ্টিক্স নৎত্রগা ভেল্যুশিং মহাক্না উৎপা লৈতে। মার্টিন লুথর কিংনা লুনা থমখিবা, জোন লুৱিসনা লুনা খঞ্জরিবা অমত্তা মহাক্না উত্তে। মহাক্না ঐহাক্কী মরূপ, কোলিগ অমসুং সিভিল রাইটস আইকন জোন লুৱিসকী মোরেল ইন্টিগ্রিটিদা ৱাহং তৌখিবদু য়াম্না কা হেনমল্লবনি' হায়না কোহেননা হায়খি।

## জোন কেরিনা ওবামাগী ইজরেল পোলিসী লান্দে হায়খ্রে



ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ১৭ : ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসন্না পালেষ্টিনিয়নশিং অমসুং ইজরেলিশিংগী কনফ্লিক্ট লৈখায় তাবা ঙমখিদ্রে হায়বা ক্লেমশিং টার্ম লোইদুনা থবক্তগী পোথাখিগদৌরবা য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট জোন কেরিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিৎতা সি এন এনগী ইন্টরভিয়ু অমদা জোন কেরিনা ৱাফমসি ফোঙদোকখিবনি।

এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং কনফ্লিক্ট অদুদা তং-তাবা ফীভম অমা পুরক্লবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রে হায়বা সি এন এনগী খৃষ্টিয়ন অমানোরগী ৱারোল অমদা কেরিনা খুদক্তা 'মদুনত্তে' হায়না কল্লপ্না খুমখি।

অতোপ্পা এদমিনিষ্ট্রেসন অমসু থবক্তু পাঙথোকপদা ফেল ওইখ্রে হায়বা কম্মেন্টকী পাউখুমদা কেরিনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অমগী লুচিংবশিং অমসুং এন্টিটি অমগী মীহুৎশিংনা ৱারী শাননবা অমসুং এগ্রীমেন্ট পুরক্লবা টেবলদা লাকখিদবনি।

সট্টল দিপ্লোমেসি হায়না খঙনবা ইনিসিয়েটিভ অমদা কেরিনা মহাক্কী মতমদা থেংখাং কয়াদা ইজরেলি অমসুং পালেষ্টিনিয়ন লীদরশিংগী মরক্তা ৱাত্নেবা কোইচৎ চত্তুনা হোৎনখি তৌইগুম্বসুং মহাক্না হোৎনবদু অরেম্বা তাখি।

## শেল অমসুং পৱার: সাউথ কোরিয়াগী ৱাথোক্তা সেমসং হকচিন্না চেন্নরে



সিওল, জান্যুৱারী ১৭ :
সাউথ কোরিয়াদা মরু ওইবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ফার্মশিং অদুক্কী মতীক পৱারগা তৎন-থানবা য়াদবগী মওংদা মরী লৈনৈ মদুদি সিটিজন খরনা মখোয় 'রিপব্লিক ওফ সেমসং' দা লৈ হায়না ফাগি ওইনা হায়নৈ। হৌজিক রিপব্লিক অসি অচৌবা পোলিটিকেলগী নোংলৈ নুংশিৎ অমনা হুমদুনা চৎখিগদৌবগুম থোক্লি।

ইমুং অমনা রন তৌবা কোঙ্গলোমারেট অসি হীখিবা চহীদা গেলেক্সি নোট সভেন রিকোল তৌখিবদগী হৌজিক ফীভম শোক্লা লৈরি। মসিগী মকোক্না ফমুংদা শিবা ঙাইদুনা লৈরি অমসুং প্রোসিক্যুটরশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী মহুৎ শীনগদবা মচানুপাবু শেঞ্জা-থুমজা তৌবা, ফন্দ লান্না শীজিন্নবা অমসুং অরানবা ৱারোল পীবগীদমক ফাননবা হায়খি।

'লী ফেমিলি অসি লৈবাক্কী লোশিংগী মথক্তা লৈ হায়না পাক শন্না লৌনৈ' হায়না সেমসং অমসুং মসিগী কোর্পোরেট কলচরগী মরমদা লাইরিক কয়া ইবা সিম জুন টাইকনা হায়খি। 'কেস অসিবু থিজিল্লিবা প্রোসিক্যুটরশিংনা অসুম্না ইমুং অমনা লৈবাক্কী লোগী মথক্তা লৈবগী ফীভমসি লাল্লি হায়বা উৎকনি হায়না সাউথ কোরিয়ন কয়ানা থাজরি' হায়না মহাক্না হায়খি।

সাউথ কোরিয়াগী জি দি পিগী শরুক মঙা থোকপদগী অমগী টর্নওভর লৈবা সেমসং অসি লৈবাক অসিগী ইকনমিক লেন্দস্কেপ দোমিনেট তৌবা অচৌবা কোঙ্গলোম্মরেট খরগী মনুংদা অমনি।

কোঙ্গলোম্মরেটশিং অসিনা কুমজা ১৯৭০ অমসুং ১৯৮০ গী মতুং চহীশিংদা ষ্টেটকী লীচিং মখাদা লান্না মাঙ-তাকহল্লবা লৈবাক অসিবু লায়রবা কোকহনবদা মতেং পাংখি।

তৌইগুম্বসুং মখোয়বু লিংখৎলিবা ইমুংশিংনা মখোয়বু গ্লোবেল ফার্মশিং ওইনা রন তৌবদগীদি গভর্ণমেন্টকা অচেৎপা মরী লৈনবা লন্নাই ওর্গনাইজেসনশিং ওইনা রন তৌবনা হেল্লি হায়না ক্রিটিকশিংনা হায়রি।

মীওই মিলিয়ন কয়ানা লম্বীদা থোক্তুনা হৌজিক্তি খ্বাইদগী নৌবা শেঞ্জা-থুমজাগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা ইমপিচ তৌরবা প্রসিদেন্ট পার্ক গ্যুন-হেবু মফম লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবা মতমদা শেল পীরিবা পেমাষ্টরশিংবুসু চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌখি।

## মেক্সিকোগী বি পি এম ম্যুজিক ফেষ্টিভেল মনুংদা কাপ্পদা মীওই ৫ শিখ্রে, ১৫ শোকখ্রে




মেক্সিকো, জান্যুৱারী ১৭ :
নিংথৌকাবগী অঙনবদা মেক্সিকোগী প্লায়া দেল কারমেন রিজোর্টতা লৈবা নাইটক্লব অমদা বি পি এম ইলেক্ট্রোনিক ম্যুজিক ফেষ্টিভেল অমা পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা গনমেন অমনা নোংমৈ কাপ্পদা ফোরেন্নরশিং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই মঙা শিখ্রে।

ক্লিন্টানা রূ ষ্টেটকী এটোর্নি জেনরেল মিগ্যুএল এঞ্জেল পেচনা হায়খি, শিখিবশিংদুদা কনাডিয়ন ১, ইটালিয়ন ১ অমসুং মেক্সিকান অমা য়াওখি। মেক্সিকোদা লৈবা য়ু এস এম্বেসিনা হায়খি, ওথোরিটিশিংনা থৌদোক্তুদা অমেরিকান অমা শিরে হায়না কনফার্ম তৌখ্রে। অতোপ্পা ভিক্টিম অদুগী নেস্নেলিটি হৌজিক ফাওবা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

পেচনা মমাঙদা এটেক অদুদা অনীশুবা কনাডিয়ন অমগা কলম্বিয়ন অমগসু শিরে হায়না ফোঙদোকখিবনি। শিখিবশিংদুগী মনুংদা অমদি ক্লব অদুদগী চেন্থোক্লবা হোৎনবদা নেৎশিন্নবা অমসুং চপখাইনবদা শিখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।


গনমেন অদু মফমদুদগী নান্থোক্তুনা চেনখ্রে অমসুং থৌদোক অদু টেররিজমগী থৌদোক অমা ওইনা থিজিনবদি তৌদে হায়না পেচনা হায়খি।

কনাডিয়ন গভর্ণমেন্টনা কনাডিয়ন সিটিজন অমা শিরে হায়না কনফার্ম তৌখ্রে অমসুং অনীশুবা সিটিজন শিবগী পাউগী মরমদা থিজিল্লি।

পেচনা হায়খি মদুদি, খুৎলায় পায়বা মীওই অদু নিংথৌকাবগী ফেষ্টিভেল লোইশিল্লমদাই অয়ুক পুং ৩ রোম তাবদা ব্লু পেরোট নাইট ক্লবতা চঙশিনখি।

মহাকপু থিংনবা হোৎনবদা নোংমৈ কাপ্পবগী ফীভম অমা লাকখি অমসুং মফমদুদা সিক্যুরিটি ষ্টাফ চঙশিনখি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুনা মেক্সিকোগী টুরিজম ইন্দষ্ট্রিদা অচৌবা চৈথেং অমা পীখি। পেসোগী এক্সচেঞ্জ রেট শোন্না লৈবা মতমসিদা টুরিজম অসি মেক্সিকোগী ইকনমিগী পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইবা স্পোট খরগী মনুংদা অমনি হায়রি।

## ওর্লান্দোগী নাইটক্লবতা মী ময়াম হাৎখিবা মীওইগী লোইনবী এফ বি আইনা ফাগৎখ্রে



ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ১৭ :
ফ্লোরিদাগী ওর্লান্দোদা শাথিরবা টেররিষ্ট এটেক চথুখিবা মীওইগী লোইনবী এফ বি আইনা ফাগৎখ্রে অমসুং মহাকপু মাস শুটিংগী ইনভেষ্টিগেসনদা অপনবা পীবগী মরাল শীখ্রে হায়না লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

গেশিংনা (হোমো সেক্সুঅলস) পাম্না চঙনবা ওর্লান্দোগী নাইটক্লব অমদা এটেক চথুদুনা মীওই ৪৯ হাৎখিবা অমসুং দজন কয়া শোকহনখিবা ওমার মাতিনগী নুপী নূর সালমানসু মচাক-মথুম পীদুনা টেররিষ্টকী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংবগী মরাল শীখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা হায়খি।

মহাকপু এফ বি আইগী এজেন্ট-শিংনা সান ফ্রান্সিস্কোগী মনাক্তা লৈবা ময়ুমদা ফাখি। মফমসি মহাক মচানুপাগা লোয়ননা লৈরকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী জুন ১২ দা মহাক্কী মপুরোইবনা শাথিবা মওংদা এটেক চথুখিবদগী প্রোসিক্যুটরশিংনা থা কয়ামুকসি মহাক্কী মথক্তা মরালশিং শীনবা খন্নরকখিবনি। এটেক অদুগী মতুংদা ইনভেষ্টিগেসনশিংনা সালমানবু পুং কয়া চূপ্না ইন্টরভিয়ু তৌখি অমসুং মহাক্কী মপুরোইবনা শাথিরবা থৌদৌ অদু চথনবা থৌরাং তৌখিবগী মতাংদা অশেংবা হায়দোক্ত্রে হায়না থাজখি।

জষ্টিস দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি মদুদি, লৈবাকপোকপগী অয়ুক্তা সালমান ওকলেন্দ, কালিফোর্নিদা লৈবা ফেদরেল কোর্ট অমদা অহানবা ওইনা কাগনি।

জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা মশাগী চহী ৩০ শুরবী সালমানবু প্রোসিক্যুট তৌনবা লেপখিবসিনা এটেক অদুগী মতুং নুমিৎ খরনি অদুদগী হৌনা মহাক্কী মরমদা চমন্নবা লৈরম্বদু কোকহল্লগনি হায়রি। এটেক অদুগী মতুংদা মহাক্কী মপুরোইবগী মরমদা থিজিনবদা মহাক্না মরু ওইবা সবজেক্ট অমা ওইরকখি।

'নূর সালমাননা এটেক অদুগী মরমদা মাঙজৌননা খঙখিবা লৈতে অমসুং অৱাবগী মশক ওইরবা অহিংদুদা ওমার মাতিননা করি করম্বা থৌওংশিং চথরক্কদগে হায়বদু মাঙজৌননা হায়বা ঙমখিদে' হায়না সালমানগী 'উকিল' লিন্দা মোরেমেনা হায়খি। 'নূরনা মশাদা লৈজবা ৱারী পুন্বা লীখ্রে। মহাকপু প্রোসিক্যুট তৌবা হায়বসি মিসগাইদেদ ওই অমসুং লাল্লি লোয়ননা মসিনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই অমবু চৈরাক পীদুনা ভিক্টিমশিংগী ঈকায় খুম্নবা মাংহল্লে হায়না ঐখোয়না থাজে।

টেররিজমগী থবক্তা মতেং পাংবগী চার্জ অসিনা সালমান্না মাতিনবু টেররিষ্ট এটেক অদুগী মমাঙদা নৎত্রগা মতুংদা মওং খরদা মতেং পাংখি হায়বগী সজেসন উৎলি।

মহাকপু মরাল শীনবগী ৱারেপ অসি প্রোসিক্যুটরশিংদসু খুদোংথীনিঙাইহনি হায়রি। করিগুম্বা কেস অসি ট্রাইঅল চথবা তারবদি প্রোসিক্যুটরশিংনা সালমানদা মীনুংশি উৎকদবা জুরি অমা মায়োক্লবা য়াই। মাতিননা মহাকপু ওৎ-নৈখি অমসুং মহাক কিনা হিংখি হায়না সালমাননা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি।

হৌখিবা চহীদা ন্যু য়োর্ক টাইমসনা লৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা সালমান্না হায়খি মদুদি, এটেক অদুগা মরী লৈননা লৈরিবা খুদিংমক মহাক খঙখিদে।

সালমাননা হায়খি, মহাক্কী মপুরোইবা ক্লবতুদা চৎখিবা নুমিৎ অমদা মহাকপু মখোয়গী পীক্লিবা অঙাংগা লোয়ননা ওর্লান্দোদা পুখি তৌইগুম্বসুং মহাক খোঙচৎ অদুগী মরমদি খঙখিদে।

## এম ঐচ ৩৭০ : মাংখিবা প্লেন থিবা লেপ্পা চুমদে : ইমুংশিং



লন্দন, জান্যুৱারী ১৭ : হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী মার্চতা পাইরম্বদগী মাংখিবা মালেসিয়ন এয়রলাইনর অদুবু থিবগী থবক লেপ্নবা ৱারেপ লৌখিবসি রেস্পোন্সিবিলিটি মশক খঙদবগী থৌওংনি হায়না ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ গী ভিক্টিমশিংগী ইমুংশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ভোইস ৩৭০ না হায়খি, থিবগী থবক্তা হেন্না পাকথোক চাউথোকফম থোকপনি, প্লেন তোংলিবা মীয়ামগী য়েংদুনা মদু নান্থোকপা য়াদবা দ্যুটি অমনি। প্লেন অদু মীওই ২৩৯ তোংলগা বৈজিংদগী কুলা লম্পুর তম্না পাইখিবগী লমখাংদা মাংখিবনি।

ইন্দিয়ন ওসিনগী স্কৱার কিলোমিটর ১২০,০০০ হেন্না পাক চাউবা মফমশিং থিবদা রিজল্ট অমত্তা ফংখিদে। প্লেনগী অকায়বা মচেৎশিং য়াম্না থাপ্না মদাগস্কর ফাওবা চাইথোল্লক্লম্বা থেংনখি।




## EMPLOYMENT NEWS

### IFGTB Recruitment 2017 – Institute of Forest Genetics & Tree Breeding – 38 Technical Assistant, Multi Tasking Staff & Various Vacancies – Last Date 10 February

**IFGTB Recruitment 2017**

Institute of Forest Genetics & Tree Breeding invites Application for the post of 38 Technical Assistant, Multi Tasking Staff & Various Vacancies. Apply Before 10 February 2017.

**Job Details :**

Post Name : Technical Assistant
No of Vacancy : 11 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2000/-
Post Name : Multi Tasking Staff
No of Vacancy : 09 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.1800/-

**Eligibility Criteria for IFGTB Recruitment :**
Educational Qualification :
For Technical Assistant : 12th pass with science from a recognized board.
For Multi Tasking Staff : 10th standard pass certificates from a recognized board/school

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 27 years

**Job Location : Coimbatore (Tamilnadu)**

**Application Fee :** Candidates Have to Pay Rs.300 through Demand Draft in Favour of Director Institute of Forest Genetics & Tree Breeding payable at Coimbatore from any Nationalized bank. No Fee for SC/ST/PWD/Women Candidates.

**How to Apply IFGTB Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of Certificates & testimonials send to the The Director, Institute of Forest Genetics & Tree Breeding, R.S Puram Coimbatore-641002 on or before 10.02.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application : 10.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application form Link : http://ifgtb.icfre.gov.in/advertisement/Advt.2016.doc

### IOCL Recruitment 2017 – Indian Oil Corporation Limited – 89 Technician Apprentice Vacancies – Last Date 13 February

**IOCL Recruitment 2017**
Indian Oil Corporation Limited (IOCL) invites Application for the post of 89 Technician Apprentice in various disciplines. Apply Online before 13 February 2017.

Advt. No. : IOCL/MKTG/SR/APPR/2016-17
**Job Details :**
Post Name : Technician Apprentice
No of Vacancy : 89 Posts
Pay Scale : Rs. 7530/- (Per Month)

**Eligible Criteria for IOCL Recruitment :**
Educational Qualification : 3 years full time regular/sandwich Diploma in relevant Engineering.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 24 years as on 01.12.2016
**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 03 years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selections for engagement would be based on Written Test and Personal Interview.
**How to Apply IOCL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website https://www.iocl.com from 01.02.2017 to 13.02.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.02.2017
Last Date for Submission of Online Application : 13.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://www.iocl.com/download/SRO_Apprentice_14012017.pdf
**Apply Online :** https://www.iocl.com/PeopleCareers/job.aspx

### GAIL Recruitment 2017 – 73 Executive Trainee Vacancies – Last Date 17 February

**GAIL Recruitment 2017**
GAIL (India) Limited invites application for the post of 73 Executive Trainee through GATE-2017 score. Apply Online before 17 February 2017.

Advt. No. : GAIL/OPEN/ET/3 A/2016
**GAIL Vacancy Details :**
Post Name : Executive Trainee
No. of Vacancy : 73 Posts
Pay Scale : Rs. 24900-50500/-
**Discipline wise Vacancies :**
Chemical : 23 Posts
Mechanical : 15 Posts
Electrical : 15 Posts
Instrumentation : 10 Posts
Civil : 05 Posts
Business Information System : 05 Posts

**Eligibility Criteria for GAIL Recruitment :**
Educational Qualification : Bachelor Degree in Engineering in Chemical/ Petrochemical/ Chemical Technology/ Petrochemical Technology/Mechanical/ Production/ Production & Industrial/ Manufacturing/ Mechanical & Automobile/Electrical/ Electrical & Electronics/Instrumentation/ Instrumentation & Control/ Electronics & Instrumentation/ Electrical & Instrumentation/Civil/ Computer Science/ Information Technology with minimum 65 % Marks.
Nationality : All India
Age Limit : 28 years as on 20.01.2017
**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PWD Candidates : 10 years
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on Group Discussion and/ or Interviews
**How to Apply GAIL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through GAIL website www.gailonline.com from 10.01.2017 to 17.02.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 10.01.2017
Last Date for Submission of Online Application : 17.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://gailebank.gail.co.in/Online_recruitment_ET2017/pdf/DETAILED_ADVERTISEMENT.pdf
**Apply Online :** https://gailebank.gail.co.in/Online_recruitment_ET2017/career.asp